HUEIYEN LANPAO

৩৩শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট ২০১৭

# অহানবা সেমী ফাইনেলদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব-এ অমসুং এক্স পোলো ক্লব থেঙ্গাইনরগনি



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : মণিপুর হোর্স রাইদিং এন্দ পোলো এসোসিএসননা শিল্লগা চথরিবা ৩৩ শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট, ২০১৭কী অহানবা সেমী ফাইনেল মেচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) -এ অমসুং এক্স পোলো ক্লব থেঙ্গাইনরগনি।

তোঙান তোঙানবা টিম ২৮ না শরুক য়ারগা গ্রুপ ৩ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী কার্টর ফাইনেল মেচ অনী ঙসি শান্নখ্রে। কার্টর ফাইনেলগী অহানবা গ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল পুং ১.৪০ তাবদগী মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এম পি এস সী) -এ অমসুং চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব-এ শান্নখি। মেচ অদুদা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব-এবু গোল ৯-২দা মায়থীবা পীরল্লগা এম পি এস সী-এ টুর্নামেন্ট অসিগী সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অহানবা টিম ওইখিবনি।

এম পি এস সী-এগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টি ঐচ রঞ্জিৎনা অহানবা চক্রগী মিনিট ২গা সেকেন্দ ৪৭ অমসুং মরিশুবা চক্রগী মিনিট ২গা সেকেন্দ ৪ চৎপদা পাঞ্জল ২, এস অবুংচানা অনীশুবা চক্রগী মিনিট ১গা সেকেন্দ ৩০, মরিশুবা চক্রগী মিনিট ২গা সেকেন্দ ৩২ অমসুং মিনিট ৪গা সেকেন্দ ৪৮দা পাঞ্জল ৩, টিম অসিগী কেপ্তেন এস বিমোলনা ৪শুবা চক্রগী মিনিট ১গা সেকেন্দ ১৯, মিনিট ৪গা সেকেন্দ ২১, মিনিট ৫গা সেকেন্দ ৪৮ অমসুং মিনিট ৬কা সেকেন্দ ৫০ চৎপদা পাঞ্জল মরি চনখিবনি। অদুগা চীংখৈহুনবা পোলো ক্লব-এগী পাঞ্জল অনী অদুনা টিম অসিগী কেপ্তেন টি ঐচ কাওবনা ৪শুবা চক্রগী সেকেন্দ ১২ অমসুং মিনিট ৬কা সেকেন্দ ৭ চৎপদা চনখিবনি।

কার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা ঙসি নুংথিল পুং ২.৫০ তাবদগী ইম্ফাল রাইদিং ক্লব অমসুং এক্স পোলো ক্লব শান্নখি। মেচ অদুদা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবপু পাঞ্জল ১১-১দা মায়থীবা পীরল্লগা এক্স পোলো ক্লব সেমী ফাইনেল চঙবা ঙম্বা অনীশুবা টিম ওইখিবনি। এক্স পোলো ক্লবকী মায় পাকপগী গোলশিং অদু টিম অসিগী কেপ্তেন এল তোলেনখোম্বনা অহানবা চক্রগী মিনিট ১গা সেকেন্দ ৯ চৎপদা পাঞ্জল ১, টি ঐচ জেকোবনা অনীশুবা চক্রগী মিনিট ৩গা সেকেন্দ ৩, মরিশুবা চক্রগী মিনিট ২গা সেকেন্দ ২৫ অমসুং মিনিট ৩গা সেকেন্দ ২১দা পাঞ্জল অহুম, পি ওজিৎনা অনীশুবা চক্রগী মিনিট ৪গা সেকেন্দ ১০ অমসুং মিনিট ৪গা সেকেন্দ ২৭তা পাঞ্জল অনী, এল অতাঙবনা অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ৪গা সেকেন্দ ৫৭, মরিশুবা চক্রগী সেকেন্দ ৪৩ অমসুং মিনিট ৬কা সেকেন্দ ১৭ চৎপদা পাঞ্জল ৩, এম দোরেন্না অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ৫গা সেকেন্দ ৫৬ চৎপদা পাঞ্জল অমা অমসুং ঐচ মুহিন্দ্রোনা অহুমশুবা চক্রগী মিনিট ৬কা সেকেন্দ ৪৮ চৎপদা পাঞ্জল অমা চনখি। অদুগা ইম্ফাল রাইদিং ক্লবকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা এস দোলরনা অনীশুবা চক্রগী মিনিট ২গা সেকেন্দ ১৪ চৎপদা চনখিবনি।

কার্টর ফাইনেলগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দ অমসুং অনীশুবা গ্রাউন্দদা মায় পাল্লবা এম পি এস সী-এ অমসুং এক্স পোলো ক্লব লাক্লিবা নবেম্বর ১৫দা সেমী ফাইনেলদা থেঙ্গাইনরগনি। ৩৩ শুবা এন হজারি অমসুং ডা. এন তোম্বী ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্ট, ২০১৭কী অতোপ্পা কার্টর ফাইনে মেচশিং হয়েং শান্নরগনি।

# বি সী সী আই অম্পায়র লেভেল ৱান কোর্স ইম্ফালদা হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : বোর্দ ওফ কন্ত্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সী সী আই) গী মিৎয়েং মখাদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসন (এম সী এ) না শিল্লগা নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চত্থগদবা 'বি সী সী আই অম্পায়র লেভেল ৱান কোর্স ফোর নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট' ঙসিদগী ইম্ফালগী ক্লাসিক গ্রান্দে হোটেলদা হৌদোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা ষ্টেট তরুক্কী অম্পায়র ২৯না শরুক য়ারগা পাঙথোক্কদৌরিবা বি সী সী আই অম্পায়র লেভেল ৱান কোর্স ফোর নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট হৌদোকপগী থৌরমদুদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী সেক্রেটরি এস পিয়ানন্দা, মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট সী ঐচ চাউবা অমসুং মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএসনগী প্রোগ্রাম্মর এস টিকেন্দ্রজিৎনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি। অদুগা বি সী সী আই অম্পায়র লেভেল ৱান কোর্স ফোর নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটকী রিছোর্সপার্সন ওইনা বি সী সী আইগী রিটায়ার্দ ক্বালিফাইদ ইন্টরনেসনল অম্পায়র ভুপিন্দর সিংহ ভটিঅমসুং বি সী সী আইগী রিটায়ার্দ ক্বালিফাইদ অম্পায়র অমদি বি সী সী আইগী অম্পায়র এদ্যুকেটর লেভেল থ্রি ওইরিবা বিলাস বন্দিদ্বেকারসু দাইজদা ফমখি।

হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা ভুপিন্দর সিংহ ভটিনা হায়খি, বি সী সী আই অম্পায়র লেভেল ৱান কোর্স ফোর নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অসি অৱাং নোংপোক লমদমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা ক্রিকেট এসোসিএসন অমদি ক্লব কয়াদা বি সী সী আইগী ক্বালিফাই ওইবা অম্পায়র লৈহন্নবা পাঙথোকপনি। ক্রিকেট মশান্না অসিবু অৱাং নোংপোক্কী মফমশিংদা চাওখৎহন্নবগীদমক অসিগুম্লবা কোর্স অসি পাঙথোক্লিবনি। কোর্স অসিনা অৱাং নোংপোক ষ্টেট তরুক্তগী শরুক য়ারিবা অম্পায়র ২৯বু বি সী সী আইগী লেভেল ৱানগী ক্বালিফাইদ অম্পায়র ওইহনবদা মতেং ওইরগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নুমিৎ মরিনি চুপ্পা চত্থগদৌরিবা বি সী সী আই অম্পায়র কোর্স ফোর নোর্থ ইষ্ট ষ্টেট অসি মখা তাবা শরুকশিং লুৱাংশঙবমগী লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেটদিয়মদা পাঙথোক্লগনি।

# এন সুসিলাবু ইন্দিয়ন পৱরলিফটিং টিমগী কোচ ওইনা খল্লক্লে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : কেরলাগী অলাপুজাদা লাক্লিবা দিসেম্বর ৪দগী ৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ক্লাসিক পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ ২০১৭তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন টিমগী কোচ ওইনা মণিপুরদগী নাওরেম সুসিলাবু খল্লক্লে।

ওল মণিপুর পৱরলিফটিং এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন জি থোইবনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, নাওরেম সুসিলা ইন্দিয়ন পৱরলিফটিং ফেদরেসনগী কেটাগোরি ৱানগী রেফ্রিনি। মসিগীসু মথক্তা কম্মনৱেলথ চেম্পিয়নশিপকী শিলভর মেদলিষ্ট ওইবদা নত্তনা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ্তুতসু অনীরক শিলভর মেদল ফংখ্রবা লিফটরনি।

এসিয়ন ক্লাসিক পৱরলিফটিং চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ন পৱরলিফটিং টিমগী কোচ ওইনা মণিপুরদগী নাওরেম সুসিলাবু নোমিনেট তৌরে হায়না ইন্দিয়ন পৱরলিফটিং ফেদরেসন্না খঙহল্লক-খিবনি। খল্লক্লবা ইন্দিয়ন পৱরলিফটিং টিমনা নোমিনেট তৌরবা মণিপুরদগী সুসিলা লাক্লিবা দিসেম্বর ১দা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়নসু খঙহল্লক্লে হায়রি।

# রন্নর্স-অপ তারকখ্রবা কে ৱাই পি সীগী শান্নরোয়শিং ওকখ্রে



ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং এসোসিএসন্না শিল্লগা হৌখিবা নবেম্বর ৪দগী ৬ ফাওবা পাঙথোকখিবা ৮শুবা মণিপুর ষ্টেট কেনো স্প্রিন্ট চেম্পিয়নশিপ ২০১৭-১৮দা রন্নর্স-অপ টিম তারকখ্রবা লৈশাংহিদেন কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং (কে ৱাই পি সী) গী শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে।

ক্যামগৈ য়ুথ পাইওনর ক্লবকী ভাইস প্রসিদেন্ট (পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন) আরবিন্দ কে ঐচনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কপ অসিনা শিন্দুনা ৮শুবা মণিপুর ষ্টেট কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং চেম্পিয়নশিপ্তা রন্নর্স-অপ তারকখ্রবা কে ৱাই পি সীগী শান্নরোয়শিং ওকপগী থৌরম অদুদা কে ৱাই পি সীগী এদভাইজর কে ঐচ নিলকমল, কে ৱাই পি সীগী ভাইস প্রসিদেন্ট দি নেপ্রম, ক্লব অসিমক্কী ফাইনান্স সেক্রেটরি এস সুভা, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট এন কিষন অমসুং কেনোয়িং এন্দ কয়াকিং এসোসিএসন ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী জেনরেল সেক্রেটরি আরবিন্দ কে ঐচনা দাইজ মেম্বরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

কে ৱাই পি সীগী টিম অসিনা গোল ২১, শিলভর ১৮ অমসুং ব্রোঞ্জ ১১ লৌদুনা অপূনবা পোইন্ট ৩৯৫ ফংলগা চেম্পিয়নশিপ অদুদা রন্নর্স-অপ তারকখিবনি। চেম্পিয়নশিপ অদুদা মায় পাল্লক্লবা শান্নরোয়শিংবু তরাম্না ওকপগা লোয়ননা অচম্বা খুদোল পোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি। মতুং তাবদসু শান্নরোয়শিং অসিনা মায় পাকপা পুরক্নবগীদমক পূক্নিংসু থৌগৎখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : হরিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা রোটক্কী নেসনল বোক্সিং একাদেমিদা পাঙথোকখিবা অহানবা জুনিয়র নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপ্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী সগ্রাম মমাঙ লৈকায়দগী নাওরেম রোবিন্দ্রেগী মচানুপী নাওরেম বেবিরোজিস্না চনুনা কেজি ৫২গী কেটাগোরিদা গোল্ড মেদল লৌরকপদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমেচর বোক্সিং এসোসিএসন্না নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। বেবিরোজিস্না খাঙবোক্তগী ভেটরান বোক্সর নিংথৌজম কুবেরগী লমজিং মখাদা শান্নবা হৌরকখিবনি। অহানবা জুনিয়র ৱিমেন বোক্সিং চম্পিয়নশিপ অসিদা মণিপুরদগী সনাথোই হেমাম অমসুং সনামচা চনুনা মেদল লৌরকপদসু এসোসিএসন অসিনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি। চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল লৌরক্লবা শান্নরোয়শিংনা মতুংদসু হেন্না মায় পাকপা ওইসনু হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম কুবেরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# কুংফু শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : স্কুল গেমস এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়া অমদি মার্সেল আর্টস এসোসিএসন এসিয়ানা পূন্না শিন্দুনা গুৱাহাটিগী জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা হৌখিবা ওক্টোবর ২৬তগী ৩০ ফাওবা চথখিবা অনীশুবা এসিয়ন কোম্বেট গেমস ২০১৭তা মেদল লৌরকখ্রবা নিংথৌখোং এরিয়াগী কুংফু শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকখ্রে।

কুংফু এন্দ কিক বোক্সিং ট্রেনিং স্কুল নিংথৌখোং অমসুং লাইওন্স ক্লব নিংথৌখোং দিষ্ট্রিক্ট ৩২২দিনা পূন্না শিল্লগা নিংথৌখোং লমলোং বজার কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখিবা কুংফু শান্নরোয়শিং তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা বিষ্ণুপুর এ সীগী এম এল এ গোবিন্দাস কোন্থৌজম, কুংফু এন্দ কিক বোক্সিং ট্রেনিং স্কুল নিংথৌখোংগী ফাউন্দর এল খোমৈ, নিংথৌখোং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন কে মনি, সোসিএল ৱার্কর এল শ্যামচন্দ্র, লাইওন্স ক্লব নিংথৌখোং দিষ্ট্রিক্ট ৩২২-দিগী দিষ্ট্রিক্ট চেয়রপার্সন কে ঐচ ইবোমচানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী থৌরমদুদা তরাম্না ওকখিবা শান্নরোয়শিংদি এল মেসি, এ কে রোহিট, এল সনালেম্বা, এল কিষন, টি থোইবী, টি সিলবিয়া, এল প্রিয়া, এস অঞ্জলি অমসুং কে ঐচ চাউবনি। মখোয় তরামক এসিয়ন কোম্বেট গেমসতা গোল্ড মেদল লৌরকখিবা শান্নরোয় ঙাক্তনি। শান্নরোয়শিং অসিদা খুদোল পোৎশিং পীদুনা ইকায় খুম্নবসু উৎখি।

তরামাথোইশুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭

# এন ৱাই সী নমকাওলোং, এন ৱাই সী নৈকানলোং, সী ৱাই সী চিনিকোন অমসুং পি ৱাই সী পান্তিলোং মায় পাকখ্রে




ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ) অমসুং জাদোনাং ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওর্গেনাইজিং কম্মিটিনা পূন্না শিল্লগা থাংমৈবন্দগী থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা চথরিবা ১১শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন ৱাই সী নমকাওলোং, এন ৱাই সী নৈকানলোং, সী ৱাই সী চিনিকোন অমসুং পি ৱাই সী পান্তিলোং মায় পাকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা টিম কয়ানা শরুক য়ারগা চথরিবা ১১শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭কী হুমনি চনবা নুমিৎকী অহানবা মেচতা নমকাওলোং এন ৱাই সী অমসুং সী আর ৱাই সী চীংমৈরোং শান্নখি। মেচ অদু এন ৱাই সী নমকালোংনা লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফকী ১৮শুবা মিনিটতা এন ৱাই সী নমকাওলোংগী জর্সি নম্বর ৭ ৱিকিনবৌ পামৈনা গোল অমা চনখি। গোল অদুনা মেচ অদু এন ৱাই সীনা অঙনবা শরুক্তগী মাঙজিল থারগা চৎপা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সী আর ৱাই সী চীংমৈরোংগী মায়কৈদগী গোল অদু হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা সী আর ৱাই সী চীংমৈরোংগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা কন্না শান্নরকখি। অদুবু এন ৱাই সী নমকাওলোংনা য়াম্না ফজনা দিফেন্দ তৌদুনা শান্নবগা লোয়ননা গোল হন্দোকপা ঙমহনখিদে। মেচকী এক্সত্রা টাইম হায়বদি ৬০ প্লস ৱান চৎপদা এন ৱাই সী নমকাওলোংগী জর্সি নম্বর ৫ কামথুইনা গোল অমগা চনখি। মেচ অদু এন ৱাই সী নমকাওলোংনা সী আর ৱাই সী চীংমৈরোংবু গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা মেচতনা এন ৱাই সী নৈকানলোং অমসুং এস কে ৱাই সী শওম্বুং শান্নখি। মেচ অদুগী ২৩শুবা মিনিটতা এন ৱাই সী নৈকানলোংগী জর্সি নম্বর ১৯ সিঙ্গর গাংমৈনা গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না গোল ১-০দা মাঙজিল থাহনখি। গোল অদু অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা এস কে ৱাই সী শওম্বুংগী মায়কৈদগী হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুংদা এস কে ৱাই সীগী মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। অদুবু মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা গোল হন্দোকপা ঙমদবদগী এস কে ৱাই সী শওম্বুং মায়থীহৌখি। অদুগা সিনসর গাংমৈনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু এন ৱাই সী নৈকানলোংনা গোল ১-০দা মায় পাকপা ঙমখি।

অহুমশুবা মেচতনা এন টি ৱাই সী নমচীং অমসুং সী ৱাই সী চিনিকোন শান্নখি। মেচ অদু সী ৱাই সী চিনিকোন্না লাকচরপ তৌনা শান্নখি। অহানবা হাফকী তঙ্খায় চনদ্রিঙৈ মেচকী ১৪শুবা মিনিটতা সী ৱাই সী চিনিকোনগী জর্সি নম্বর ১১ তোমি পামৈনা গোল অমা চনখি। তোমি পামৈনা চনখিবা গোল অদুনা মেচ অদু সী ৱাই সী চিনিকোন্না য়াম্না ঙন্না মাঙজিল থাবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইরকপা ফাওবদা এম টি ৱাই সীনা গোল অদু হন্দোকপা ঙমদবদগী সী ৱাই সী চিনিকোন্না গোল ১-০দা মাঙজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরক্লবা মতুং মেচকী ৫১শুবা মিনিটতা অমুক সী ৱাই সী চিনিকোনগী জর্সি নম্বর ৯ অঙম্পু থাইমৈনা গোল অমগা চনশিনখি। মেচকী অরোইবা পুংজা ফাওবদা এন টি ৱাই সীনা গোল অমা ফাওবা হন্দোকপা ঙমখিদে। মেচ অদু সী ৱাই সী চিনিকোন্না এন টি ৱাই সী নমচীং গোল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

হুমনি চনবা নুমিৎকী অরোইবা মেচ ওইনা পান্তিলোং (পি ৱাই সী) অমসুং য়ু য়ু কে এফ সী কাদি শান্নখি। মেচ অদু পি ৱাই সী পান্তিলোংনা য়ু য়ু কে এফ সী কাদিবু গোল ১-০দা মায়থীবা পীখি। পি ৱাই সী পান্তিলোংগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১২ গাইচুইকামৈনা মেচকী ১৭শুবা মিনিটতা চনখি।

# ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী জুনিয়র বোইজ শান্নরোয়শিং খন্নবা ট্রাইএল কম সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসন (অম্ফা) না শিল্লগা পাঙথোক্কদৌরিবা ২৯শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮দা শরুক য়াগদবা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টিমগী জুনিয়র বোইজ ফুটবোল শান্নরোয়শিং খন্নবগীদমক ট্রাইএল কম সেলেক্সন লাক্লিবা নবেম্বর ২০দগী পাঙথোকপা হৌরগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন (দি এস এ) ককচীংগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ২৯শুবা জুনিয়র বোইজ ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭-১৮দা শরুক য়াগদবা ককচীং দিষ্ট্রিক্ট টিমগী শান্নরোয়শিং খন্নবগীদমক নবেম্বর ২০গী অয়ুক পুং ৭.৩০ তাবদগী দি এস এ ককচীংগী গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি। ট্রাইএল কম সেলেক্সন টেষ্ট অসিদা শরুক য়াহন্নবগীদমক দি এস এ ককচীংদা এফিলিএট তৌবা য়ুনিটশিংনা মখোয় মখোয়গী শান্নরোয় ১০/১০ নবেম্বর ১৯ ফাওবগী মনুংদা রিকমেন্দ তৌরকপা য়াগনি।

রিকমেন্দ তৌরবা প্লেয়রশিংনা মশা মশাগী মপূং ফাবা ট্রেনিং কিটসশিংগা লোয়নদুনা লাক্লগা ট্রাইএল কম সেলেক্সন টেষ্ট পাঙথোকফমদা রিপোর্ট তৌরগদবনি। শান্নরোয়শিং অদু কুমজা ২০০১গী জান্যুৱারী ১দগীনা কুমজা ২০০২ গী দিসেম্বর ৩১ ফাওবগী মনুংদা পোকপা ওইগদবনি। ট্রাইএল কম সেলেক্সন টেষ্ট অসিদা শরুক য়ানবগীদমক রিপোর্ট তৌবা লাকপা মতমদা শান্নরোয়শিংনা ম্যুনিসিপালিটি নৎত্রগা নগর পঞ্চায়ট নৎত্রগা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পীবা বার্থ সার্টিফিকেট, অধার কার্দ অমসুং স্কুল রিদিং সার্টিফিকেট লোয়নরক্কদবনি হায়নসু দি এস এ ককচীংগী জেনরেল সেক্রেটরি এম নিলোনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা খঙহল্লক্লি।

## এল রোপেন্দ্র মীতৈ মেচ ওফিসল ওইনা খল্লক্লে

ইম্ফাল, নবেম্বর ১৩ (ঐচএনএস) : মালদিপ্তা চয়োল মঙারোম চুপ্পা চত্থগদবা এস এম কপ্তা ওফিসিএট তৌনবগীদমক ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) না মণিপুরদগী এল রোপেন্দ্র মীতৈবু মেচ ওফিসল ওইনা খল্লক্লে। এ আই এফ এফনা মেচ ওফিসল ওইনা খল্লক্লবা এল রোপেন্দ্র লাক্লিবা নবেম্বর১৪দা মালদিপকীদমক ইম্ফাল থাদোক্কদবনি। মখা তানা মহাক্না ভেলিদ ওইবা পাসপোর্টকা লোয়ননা এ আই এফ এফনা ইস্যু তৌবা থ্রি রেফ্রিং কলর খুদিংমক লোইনগদবনি। মসিগীসু মথক্তা মহাক্কী রেফ্রি ইক্বিপমেন্টশিংসু লোইনগদবনি হায়না অম্ফাগী এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।



HL-B/4172/17/10-14/12

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com